সনালৈবাক

## এডিটোরিয়েল

# পোনি কন্নদা লৌফম মাংহনবা য়ারোই

মণিপুরগী মীশিং অসি লেপ্পা লৈতনা চহি খুদিংগী হেনগৎলক্লি। হৌজিক মণিপুরগী মীশিং লাক্ষ ২৭ লোম ওইরে হায়না লৌরবা ফাওবদা লাক্কদৌরিবা চহি ২০ দা মণিপুরগী মীশিং ক্রোর ১ শোইদনা য়ৌগনি হায়বসি হৌজিক চৎনরিবা সমাজগী ত্রেন্দ অসিদগী খঙবা ঙম্মী। ওইরিবা ফিভমদি মণিপুরগী পাক চাওবা অসি অমুক হন্না পাকথোক চাওথোক্কদবা লৈত্রবনি। অকক্লবা এরিয়া অমদা অদুমক মণিপুরগী মীশিং অসি লৈফম থোকই। হেনগৎলক্লিবমখৈ মীশিংগী মতুংইন্না লৈফম চাফমগী প্রোব্লেম কয়া শোয়দনা লাক্কনি। অদুনা মণিপুরদা খ্বায়দগী হেন্না দরকার ওইরিবা অসি হেনগৎলক্কদবা মীশিংগী চাং অদু য়েংলগা লমদমসিগী মীয়াম্না কোন্নগদবা মওংদা ফৌথোক পুথোকপা ঙমগদবা চাংদা ঐখোয়গী লৈজরিবা তম্পাক লমগী লৌফমশিং কনবা হায়বসিনি। করিগুম্বা চাথোক লৈবা লৌফমশিং অসি কন্দুনা থমহৌদবা তারগদি ঙসি মণিপুরদা ওইরিবা ফিভম অসিদগী হেন্নো শাথিবা মওং অমদা মণিপুরগী মীয়াম্না অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী নিরগা চাবগী ফিভমদা ফাওবা লাকপা য়াই। অদুনা লৌবুকশিংদি কন্দুনা থম্বগী মথৌ অমা অদুমক তারি। অসিগুম্বা ফিভম অমদা লাক্লবা মতমসিদা মণিপুর মীয়ামগী লুচিংবা ওইরিবশিংনা খলহন্নিংবা ৱাফমদি লৌবুক্লা হেন্না মরু ওই হায়বসিনি। লেপ্তনা মীওইবগী হিংনবগা মরী লৈনবা চাথোক কয়া পুথোক্লিবা লৌবুক লম্মাংশিং অদু কল্লগা থম্বা অমসুং মদুদগী পোখোক কয়া মহৌশা থোক্লিবা চাংদগী পুথোক্লবা হোৎনবা হায়বসিদা মীৎয়েং চঙবনা তুংগী মীরোলশিংগী পুন্সি হিংহন্নবগী অচৌবা মচাক অমা ওইগনি। খ্বায়দগী হেন্না নুংশা থিরিবনা নিংলকপা নৎত্রগা খল্লকপা ৱাফম অমদা হেক্তা য়েংলগা মণিপুর সরকারনা পায়খৎপা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং অদু লৌবুক লম্মাং মাঙহনবা ওইনা লাকপা অসিনি। হৌজিক পোলিটিকেল্লি দিভলব তৌরবা তম্পাক্কী লমদমশিংদা মণিপুরগী তাংলবা শগোল অমা ওইরিবা পোনি য়োকখৎনবগীদমক লম লৌশিনগনি হায়বা ৱাফম অমা লাকপসি পোনিগী মরাইবক ফগদবা ওইরবসু লৌফমশিং অদুদগী থোকপা চাথোক্লা হিংলিবা মণিপুরী প্রজাশিংগীদি খ্বায়দগী লাইবক থিবা হায়বদু ওইগদৌরি। মসি ফাওবা খঙদনা সরকার অসিনা থৌরাং লৌখৎলকপা তারগদি মীয়ামদগী য়েক্লবা লৌনবা থৌরাংনি হায়না লৌবা তাই। পোনি কনসি হায়রগদি পোনিশিংগী চপ চাবা পোখোক পুথোকফম য়াবা অমসুং মখোয়না হৈনজবা চীং অমসুং তম্পাক্কী লোন্নবা মফমশিংদা হায়রিবা সেঙ্কচুরি অসি শাবগী মথৌ তাই। অদুবু তম্পাক্কী লমদা খোঙজেল য়াংনা চেনগদৌরিবা শগোলশিং অদুগী পোখোক পুথোকফম অদুদি মীয়ামদগী তাম্না লৈবা মফম অমদা ওইহনবা তাবনি। মমাঙদগীসু হৈঙাংলোমগী মফম খরদা পোনি সেঙ্কচুরি থমগনি হায়না ফোঙদোক্লকপা মতমদা মফমদুগী হায়বদি কন্সটিট্যুয়েন্সি অদুগী মীয়াম্না অথিংবা কয়া পীরকপা লৈখ্রবনি। মফম চাবা কেন্দ্র অসিগী মফমগা নক্লবা চীংগী নাপোমশিংদা পোনিগী সেঙ্কচুরি পীবদা অকায়বা লৈতে, অদুবু হায়রিবা মফম অসি শেম্বা মতমদা হৌজিক হৌজিক লৌ উনরিবা তম্পাক্কী মফমশিংগী শোকপা তৌবিগনু হায়না ৱাকৎ কয়া অমা লমদম অদুগী মীওইশিংদগী লাকখ্রবনি।

অসিগুম্বা ফিভম অমা লাকপা মতমদা মণিপুরদা লৈরিবা মীয়ামগী ওর্গনাইজেসনশিংনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈবগী মরম্না করিনো হায়বসি হংবা য়াই। করিসু নত্তবা ৱাফমশিংদদি হেক হেক মীয়ামগী লুপশিংনা খোঙজং কয়া চংশিল্লগসু ষ্টেটকী ইশ্যু ওইবা নৎত্রগা ইশ্যু ওইবা য়াবা য়াম্না লূম্বা অমদি চাওবা প্রোব্লেমশিংদা থৱায় য়াওদবগুম উরিবসিনা তাকপদি মণিপুরগী মীয়াম অসিনা সরকারগী পায়খৎলিবা থৌশিলশিং কুপ্না খঙদে হায়বসিনি। মীয়াম্না হৌজিক পাল্লিবদি লৌমীশিংগী লম কন্দুনা থম্বা অমসুং খরদং লৈজরিবা লৌফমশিং অদুদগী থোকপা চাথোক্লা মণিপুরগী মীয়ামবু হিংহন্নবা হোৎনবদা শরুক য়াবা হায়বসিনি। ওইরিবা ফিভমদদি মণিপুরগী প্রদক্তিব ওইবা চাথোক লৈগদবা লৌবুকশিং মাঙহল্লগা লৌবুকশিং অসিগী শরুক লৌশিল্লগা লম্বী পাকথোকপা অমসুং মীয়ামগীনি হায়না খনবা দিপার্টমেন্টশিংগী ওফিসশিং হাংদোক্লবা হোৎনবা অসিনা ওইরি। অদুনা মার্জিং পোলো পোনি য়োকখৎনবা সেঙ্কচুরি থমগে হায়রগদি মীয়ামগী পুক থাক্কদৌরিবা লৌবুকশিং অদু তোঙান্না থন্নগা হেন্না মতিক চাগদবা মফমশিং খল্লগা লীংনবা হোৎনবনা হেন্না চুমগনি হায়বা ৱাফম অসি থম্নিংই। করিগুম্বা মীয়ামগী অপাম্বগী মাইয়োক্তা ঙম্মী হায়বগী মতাগুম সরকার অসিনা থৌরাং লৌখৎলকপা তারগদি মদুগী চপ চাবা খোঙজংশিং অদু থেংননবা সরকার অসিনা খুউ শেনবা ফৈ। পাল্লিবা মীয়ামগী ৱাখল্লোন অদু অয়াম্বনা মণিপুর মীয়ামগী চাক থাক অদু মতম শাংনা পুবা ঙম্নবা হোৎনবা হায়বসিনি। মসিদা হঙ্গৎ–হন্দা তৌদুনা লৌফম মাঙহন্নবা হোৎনরকপা তারগদি মদু চপ চানা থেংননবা মণিপুরদা লৈরিবা লৌমী–শিংমীশিংগী লুপশিংনা খোঙজং কয়া চঙশিনবা মথৌ তারে। পোনি কন্নবা হোৎনবা পোনি কন্নিংবা মীয়ামগী ইন্টরেষ্ট ঙাক্লা হান্নদগী লমসিদা চঙশিল্লিবা মীয়ামগী অয়াবসু লৌফম থোকই।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

# অহেনবা মীৎয়েং চিংশিঞ্জরি

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

ৱাঙ্গৈই (ইম্ফাল ৱেষ্ট টু) অমদি ৱাহেং খুমন (নম্বোল কেন্দ্র) গী ফাওনবা লম্বী অমা ওইরিবা লম্বী মতেক অসি মতম কুইনা কেন্দ্র অনীনা হন্না য়েংদনা লৌতানদুনা লৈরকখিবা লম্বীনি। লম্বী মতেক অসি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংদসু কয়ারক হন্না হায়জখ্রে। অদুবু শেম্বীদনা লাকখিবনি। অদুবু হন্দক মুক্লদুনা লৈরকখিবা লম্বী অসি য়ুঠ মোদেল ক্লব, খা–সঞ্জেনবমগী ক্লব মেম্বরশিংনা শেম্বীনবা কন্না তকশিনবদগী থাসিগী ২৭ তগী কেন্দ্রগী এমএলএ (নম্বোল)না লম্বী অসিগী কায়দুনা লৈরম্বা পোর্ট হোলশিং মশাগী গাড়ী থাবিরক্কুনা মেনশিনবীখ্রে। মসিগীদমক কেন্দ্রগী এমএলএ অমদি ক্লবকী মেম্বরশিংবু থাগৎচরি অমদি মখা তানা য়েংশিনবীরক্কনি হায়বগী থাজবসু থমজরি। লোয়ননা হৌজিক হৌজিক শেমজিনখ্রিবা লম্বী মতেক অসি নত্তবা হায়বদি কেন্দ্রগী এমএলএগী জগাসু ওইরিবা খা–সঞ্জেনবমদগী ইরোম মৈত্রাও তারিবা লম্বী মতেক অসিগী পোর্ট হোলশিং অসিবুসু মেনশিনবীরগদি কেন্দ্রগী এমএলএবু অমুক্কসু হন্না নুংঙাইজগনি অমদি ক্লবকী মেম্বরশিংনসু অহেনবা মীৎয়েং চংবিদুনা হায়রিবা লম্বী মতেক অসিবুসু শেম্বীরবদি অনৌবা চহিনা লাকপসিদা কাওবা ঙমদনা নিংশিংদুনা লৈহৌরগনি খনজে।

*অদোমগী,*

**এল. অচৌবা সিংহ**

খা–সঞ্জেনবম।

# মায়থোংদি নিংথিরে পুক্লিংদি কমদৌরি?

(লীচৎকী মিয়েংদা)

মীওইবা মপোক অসিনা ঙমদবা করিবু লৈরমখিগদগে হায়না লাউনরক্লবা, য়াম্না চাওখৎলবা, মতোন তোলোম্বগী থাক য়ৌশিল্লক্লবা মতমদু ওইরে হায়বসি ঙক্লিঙাই ওইরক্রে। ইকুই হেক কুইদনা খুৎশেমগী হার্ট শাদুনা মহৌশাগী হার্ট ফেল ওইরবা, শিবগী পুংফম য়ৌরক্লবা অমদা হাপচিন্দুনা হিংহনবা ঙম্লে হায়না মেডিয়ানা ক্লেইম তৌখরে। মসিগী মমাঙদসু তাইবং হকচাংগী মচল খরসু পুথোক্লখিবগী ৱারীনবা লৈখিবগুম তৌখরে। তশেংনমক মীওইবা খুনাই, ওইথোক্লরোই খল্লম্বা থাক লানশিল্লক্লে হায়দবা য়ারক্রে। ঙসিগী চাওখৎলবা মেটেরিয়ল ৱার্ল্ড অসিনা, মতম অমদা মালেম মীওইবা খুনাইনা, তাইবং–পানববু শেম্বিরকপা 'মহৌ'–নেচরবু মায়থীবা পীগে মঙখিবা মঙলান–মাঙজাউ, ঙসিদি তাইবং মঙফাওনবগুম তৌরক্লৱা হায়দবা ঙমদে। তৌবদবু হৌগৎলকপদা ঙায়রিবনা কদাই ফাওবা মায় পাকপা ঙমখিগদগে হায়বদুদি য়েংখিবা তারি, মতমদো ঙাইমিন্নখিনি।

ঙক্লিঙাই থাক লাম্বোল্লক্লবা ঙসিগী মীওইবা খুনাইসিনা, মরু পোকখাইদুনা ময়োল চোংলকপদা ঙায়রিঙৈ, পাম্বী ওইবা ঙমদ্রিঙৈ, মপাল হান্না শাত্তুনা মহয় য়ালহনগে খন্নরক্লিবা অসিসু, ঙল্লিঙৈসিদা নৈনহৌবসু কান্নগদবা মাল্লি। অদুবু অইবা, তুমিৎ–য়ুরানগুম্বনদি করিদি তৌরুগনি। লৈবাক্কী অখঙ–অহৈ ইবুংঙো–ইবেম্মা–রিচার্চ স্কোলার শিংগী খুত্তা শিন্নজবনা ঈথৌ ওইজরগে। অইবগীদি ঙসি ফাওবদা ফংজবা, স্পিরিচুয়েলিজমদা শাগ তুনা লাইপোক ঈপা–ঈপুশিংনা থম্বিরম্বা লীখুন্দগী খরদং লৌখৎচরগা, ঙসিগী ৱারেং–কলম অসি শাগচ্চরি। ঙসিগী মতম অসিগী মীওইবা খুনাই, মরু ওইনা মীত্রেবাক–মণিপুর কংলৈ–ষ্টেটসিগী খুনাইশিংগী খুনাইরোলনা মপুং ওইনা থমজগে। লাইগী মতম ওইখ্রবা ইপা–ইপুশিংনা থম্বিরম্বা থেংনজরুবা– 'শক থীবদি লাইনা শেম্বনি, পুক্লিং–ৱাখল শেংদোক্তুনা, তরু–তরু নান্না –ফজনা থম্বা অমসুং শীজিন্নবদি তাইবং মীগী থৌদাংনি। অথিবা শক্তি মীওইবনা ফজহনবা লুবনি, পুক্লিংনা লুনা–নাননা থম্বা ঙমদুনা, ফজরবা লীচৎ–লমচৎকী মপু ওইজবা ঙল্লগদি, থীরম্বা মায়থোংদু পুম্নমকপু শুমহৎপা ঙম্বা মায়থোং ওল্লক্কনি। অনানবা মফম নৎত্রবসু, মোৎলবা মফম অমদা খোইহী লৈরবদি ককচেং ইনবদি মহৌশানি। খোইহীগী মহাউনা ফত্তবা–অমোৎপবু মাঙহনবা ঙম্বগুম অথীবা শকপু ফজবা লমচৎনা লায়না কুপশিনবা ঙম্বনি, শক থীরবসু লীচৎ–লমচৎনা ফজরবদি, পুম্নমক ইনাক্তা চিংশিনবা অরুবা ওইদবনি। ইচাশা ইশানা ইশাগী লৌথিরবা পুক্লিংবু ফাজিন্দুনা, অফ লীচৎকী মপু ওইনবা হোৎনৌ, ফংনিংবা পূম্বা ফংবা ঙম্বনি, মীকোক থোংবা ঙমগনি' হায়বসিদা খোর্জে থাজবনি।

মিৎয়েং অসিদা মতেক অমত্তং পুশিঞ্জগেঃ মীওইবা মপোক অসি 'চৎনবী' কৌবা অকনবা ইরৈ অমনা উঙদুনা–লৈদুনা মতম পুম্নমক্তা পুই হায়বসি কাউথোক্লদবা চুমগনি খল্লি। চৎনবী তাইবং মীগী খুদোল অমনি। তাইবং মপোক অসি অফবা–ফত্তবা অনি তূনা নপ্পুনা লৈরিবনি। নুঙাইবা–অৱাবা হায়বা অনি অসিনা পুন্সি অমমম শেম্নরিবনি। অফবগী চাংনা ৱাংলগা নুঙাইবগী চাং ৱাংঙি। ফত্তবগী চাংনা হেল্লগা অৱাবনা হেন্না ফংবা তাইবং পুন্সিনি। নুঙাইবদবু পামজরিবা মীওইবা মপোক্তি অফবা লীচৎ চৎপগী তঙাইফদবা লৈ। অফ–লীচৎনা মীওইবা পুম্নমক্কী চৎনবী ওইহল্লগদি, মীওইবা খুনাই য়াইফবা মপোক ওইদুনা অৱাবনা লিৎশিনবা ঙম্বা নত্তে। ঙসিগী মতমদা মরুওইনা, ষ্টেট অসিগী মীওইবা খুনাইগী পুন্সি মরেন নৈনদবা য়াদবা লৈরি। ষ্টেট অসি, অকি–তুজুংনা থল্লবা ৱাথোক মরোল কয়ানা ননশিনখ্রবা, চুম্না লেপচবা ঙম্লক্রবা মীয়ামগী খাঙলেনফম অমগুম লেপ্লি হায়দবা য়াররোই। মসিগী অমত্তা ঙাইরবা মরমদি, ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী চৎনবী অসিননি হায়দবা য়ারোই। চৎনবী হায়বসি লৈবাক হুপ্না চৎননবা পথাপ অমনি। মসি শেন্দা অফবা মচৎ ঙাক্তা পুনশিনবা তাই। ফৌমান–ৱাইরু য়াওদনা খন্দোক্লবা চেঙ চেঙফুদা হৈজিন্দুনা থম্বগুম, অফবা পুম্নমক ময়েক শেংনা লৌখৎলগা চৎনবী শেম্বা চঙঙী। অসিগুম্বা চৎনবী অমা শেম্নবা হোৎনবদা 'হৈনবী' হায়বসিনা লাংয়েৎনদুনা, মহাউ হাপ্পবা মরু–মরাংদা অকেঙবা য়াওবগুম থোকহল্লি। অহাওবা মথেল অমদা অকেঙবনা মহাউ মাঙহনবগুম, অফবা চৎনবী শেম্বদা মীওইবদা মাঙগদবা মচৎ য়ানশিল্লক্তুনা খুনাইবু অমাঙবদা নাম্বহল্লি। চৎনবী শেম্বা অমসুং চৎনবদা, হৈনবীনা চিংদুনা চৎহল্লোইদবনি। মীওইবনা ফত্তবদা হেন্না হৈনবী ওইরিবসি, মীওইবনা লাপথোকপা পাম্নরিবা 'শিবা' কৌবা পোলোই অদু ইনাক্তা চিংশিন্দুনা লেঙ্গোন্নবা থোকই। চৎনবী অসিমক্তনা ঙসিগী মীরোল অসিবু, মমা ওইবীশিংনা মচাশিংবু নমদা পোরগা, নাউশুম ঈশৈ শক্তুনা তূম্বা থেম্বীবগুম, অশি খয়াত্তা মতম পুম্বগী তুমখুল তানহন্নবা মোইথেম্বিরীবনি হায়বসি ঙসিগী ষ্টেট অসিগী মীয়ামশিংনা খঙমিন্নবা তঙাইফদবা লৈরৱা খল্লি।

ৱারোইশিন্দা থমজনিংবদি– ষ্টেট অসিগী মীয়ামসু মালেমগী চাওখৎপদা য়াওহৌনবা হোৎনবা চঙঙী হায়বসিনি। পান্দম অসি ফংনবা মীয়াম অসিনা, পানগী ওইবা শক্তম ফজনবা, তরু–তহন্নবা, মালেম খুনাইনা কল্লক্লবা মকে শেম্বগী মহুত্তা, নুঙগী কয়াৎশিং শেংদোক–নাম্বোক্তুনা, তরু–তনান লৈহন্নবা অঙম্বা থাকতা হোৎনফম থোকই। মরমদি পানগী ওইবা মকেদি মালেমদগী তাদ্রবনি। ষ্টেট মীয়াম অসিদা, মীয়ামগী ওইবা থৌদোক–ৱাথোক অমদা থোরক্লিবা–থোরক্লিবী শিংনা, শেৎলি–লিৎলি–ইল্লিবা ফিজোলশিং, অরং–অরাক কয়াগা লোয়ননা মকে শেম্নদুনা থোক্লরকপদু, মালেম খুনাইনা উরুবদা লাইরবা লৈতবা ষ্টেটনি হায়না লৌনরিবনি। শক্ত–চুদা, ফিজেৎ–লৈতেংদা মালেমদা লম্বা ফংদবা মতৌ হায়বদুমক ওইরি। অসি য়ৌনা মালেম্না মিতানরবসু, নাকল অমদদি অকি–তুজুং পোক্লরিবা, তিন্সিৎ–মায়শিন্নরিবা মতৌ অসি য়েংলগদি, মালেম তাইবং–লীচত্তা অহোবা–অয়ুবা চাউনা লৈরি হায়বসি য়াম্নমক ময়েক শেংহল্লি। মিৎয়েং অসিগী খুদমদি–মহৌ লাইরেম্বীনা পীনবিরম্লবা, পীক্লবা চীঙলৈপাক মচা অসিগী, শুমহৎনিঙাই ওইরবা শক্তম, লাইরৈবাক্লি লৌনরিবা, মালেমগী অথোইবা লৈহাও লৈবা লমদম, থারুক–ঋতু (সিজন) ৬না থৌগল্লিবী লৈপাক অসিদা, মালেমগী লমকোয়বা (টুরিষ্ট)শিং, মালেমগী ফজবা পূম্বা য়েংনিংদুনা মালেম থুংনা কোয়রিবশিংনা, ইরৈবাক ষ্টেট অসিদা চঙবদি কিজা, ছম্বল ৱাংমদা, খুনিং কাঙদুনা মুনা–মুনা য়েংনরিবা অসি পনবা য়াই। মসিগী মরম অমা থিমিন্নবা চঙঙী। অইবগী মায়ৈদগী পঞ্জবা তারগদি ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না পানগী শক্তমদমক মকে শেম্নদুনা, অতোপ্পনা মিতানহনবা পাম্বগুম তৌরি। মালেম খুনাই পুম্নমক্লা নুঙগী কয়াৎ পুম্নমক মঙাল ছলহন্দুনা, ফজবা মীরমচৎ পুথোক্লবা হোৎনরিবা চৎনী লমচৎ, অদুবু নিংথিনা ঙাক্লা চৎপা তান্নরিবা, মদুনা মরম ওইরগা মালেমগী খ্বায়দগী চাওখৎপা 'ইরুপ'–নেসন অমনি হায়হন্নবা মশাগী হৌরকফম, পারী–পুরি থিদুনা লংহন্নবা তান্নরি। ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না, নুঙগী কয়াৎ মিরাং থুহন্দুনা থন্নগা, পানগী মায়থোঙখক্তমক তকথোক–নাম্বোক্তুনা, মকে শেম্বনা মথৌ ওইনরি। নুঙগী কয়াৎ পূম্বা অমোৎপনা ফুঞ্জিন্দুনা মথৌ পাঙবা ঙমদবনা তৌগদবা পূম্নমক লেপহল্লি। হিংদবা য়াদবা মপোক ওইবনা, নত্ত–ওইদবা, অমোৎ–অকাম, শেঞ্জা–থুমজা, হাৎন–শুনা ৱাথোক পুথোকপা তান্নবনা অথোইবা, তৌদয়াদবা থৌদাং ওইনা লৌনরি। ফিভম অসিদগী নাম্বোক্লবা লম্বী অমা থিহৌবা হায়বসি ঙসিগী টেট মীয়ামগী তৌদবা য়াদবা মতমসিগী অমত্তা ঙায়রবা শিনফম ওইরগদ্রা খল্লি। ১৮ শুবা খৃষ্ট চহীচাদা, মীয়ান–মীতোপ লাংদা থুখিদুনা অনম–অহা চুখিবা, ঙসি চহী ৩০০ হেঞ্জিল্লক্লে, ঙসিদি অনম–অহা চুখিবদু তাম্বোক্লবা মীয়াম পূন্না হৌদুনা খয়োম লাকথোক্লসি। ঐখোয় পুন্না খুৎশম্নদুনা, অনম–অহা চুদ্রিঙৈগী ইপা–ইপুগী খোঙ্গুল পীদুনা, ইপা–ইপুশিংগী মঙম তান্দুনা মালেম খুনাইগী মরক্তা ফিদা কনবা ঙম্নবা হোৎনহৌবনা হয়েংগী মীরোলগী য়াইফবা ওইহৌগনি খল্লি। মায়খক নানবনা লৌশিং–মঙাল ছলহলবা ঙল্লোই। নুঙগী কয়াৎশিং শেংদোক্লবদদা লৌশিংগী মঙাল ছল্লক্কনি। অমম্বা লৈত্রবদা মালেম খুনাইগী ফিদম্নিঙাই ওইরক্লোই কনানা হায়বা ঙমগনি।

পনখে তাল্লিবা ঈচেল – ৩৮৩

ৱাই চীঙখে ঙানবা লুৱাং

# রাইট টু ইনফোর্মেসন এন্দ ওব্লিগেস্ন ওফ পব্লিক ওঠোরিটিস

## ঈ- পাও লৌবগী হক অমসুং পব্লিক ওঠোরিটি(সরকারগী) থৌদাং:-

***ঙরাংগী মখা ..***

১.(১) এক্ট অসিবু রাইট টু ইনফোর্মেসন এক্ট ,২০০৫ হায়না কৌই।

(২) জম্মু অমসুং কাশ্মীর নত্তনা ভারতকী ষ্টেট খুদিংমক্লা চৎনগনি।

(৩) সেক্সন ৪ গী সব সেক্সন (১), সেক্সন ৫ কী সব সেক্সন(১) অমসুং (২), সেক্সন ১২,১৩, ১৫, ১৬,২৪,২৭ অমসুং ২৮ কী প্রোভিজন শিং খুদক্তগী চৎনহল্লে অমসুং এক্ট অসিগী লেমহৌবা প্রোভিজন শিংদুনা এক্ট অসি চৎনবা হৌখিবা নুমিৎ চামগা কুননিদগী চৎনগনি।

২. এক্ট অসিনা অসুম্না তাক্লি:-

২.১.''এপ্রোপ্রিয়েট গভর্নমেন্ট'' হায়বদি:-

(১) সেন্ট্রেল গভর্নমেন্ট নৎত্রগা য়ুনিয়ন টেরিটোরী এদমিনিষ্ট্রেসন না সব সেক্সন

(২) ষ্টেট গভর্নমেন্ট না লিংখৎপা, শেম্বা,মপু ওইবা কন্ট্রোল তৌবা অমসুং দাইরেক্ট নৎত্রগা ইন দাইরেক্ট ওইনা শেন্থং চাওনা পীদুনা শেম্বা পব্লিক ওঠোরিটি অদুবুনি।

২.২. ''সেন্ট্রেল ইনফোর্মেসন কম্মিসন''হায়বদি সেক্সন ১২ কী সব সেক্সন(১) গী মখাদা শেম্বা সেন্ট্রেল ইনফোর্মেসন কম্মিসন অদুবুনি।

২.৩. ''সেন্ট্রেল পব্লিক ইনফোর্মেসন ওফিসর'' হায়বদি সব সেক্সন(১) গী মখাদা দেজিগনেটেট তৌবা সেন্ট্রেল পব্লিক ইনফোর্মেসন ওফিসর অদুবুনি অমসুং মসিদা সেক্সন ৫ গী সব সেক্সন (২) গী মখাদা দেজিগনেটেট তৌবা সেন্ট্রেল এসিসটেন্ট পব্লিক ইনফোর্মেসন ওফিসর অদুসু য়াওরি।

২.৪. ''চীফ ইনফোর্মেসন কম্মিস্নর'' অমসুং ''ইনফোর্মেসন কম্মিস্নর'' হায়বদি সেক্সন ১২ কী সব সেক্সন (৩) গী এপ্পাইন্ট তৌবা চীফ ইনফোর্মেসন কম্মিস্নর অমসুং ইনফোর্মেসন কম্মিস্নর অদুবুনি।

২.৫. ''কোমপিটেন্ট ওঠোরিটি' হায়বদি:-

(১) হাওস ওফ দ পিপল নৎত্রগা ষ্টেট নৎত্রগা মশাগী এসেম্লি লৈবা য়ুনিয়ন টেরিটোরী অমগী এসেম্লি অদুগী স্পিক্কর নৎত্রগা ষ্টেট অমগী কাউন্সিল ওফ ষ্টেটস নৎত্রগা লেজিসলেটিভ কাউন্সিল অদুগী চেয়রমেন অদুবু,

(২) সুপ্রিম কোর্ট কী ওইরগনা চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়া,

(৩) হাই কোর্ট ওইরগনা মদুগী চীফ জষ্টিস,

(৪) কন্সটিট্যুসন গী মখাদা শেম্বা অত্মো ওঠোরিটি শিং ওইরবদি প্রসিদেন্ট নৎত্রগা গভর্নর,

(৫) কন্সটিট্যুসন গী আর্টিকল ২৩৯ গী মখাদা এপোইন্ট তৌবা এদমিনিষ্ট্রেটর,

২.৬. ''ইনফোর্মেসন'' হায়বদি এনি মেটেরিয়েল খুদম ওইনা:-

records, documents, memos, e-mails,opinions, press releases, advices, circulars, orders,log books, contracts, reports, papers, samples, models, electronic form দা লৈবা দাটা মেটেরিয়েল শিং অমসুং পব্লিক ওঠোরিটি অমনা লো গী মতুং ইন্না প্রাইভেট বোডি অমগী মরী লৈনবা ইনফোর্মেসন অদুগুল্লবা মচাকশিং অদুদি সরকারগী লোইশঙ অমনা মতম মতমগী ওইনা চৎনবা অতৈ অত্মো আইনগী মতুং ইন্না য়েংশিনবা য়াবা।

২.৬.(এ) ''প্রিসক্রাইব'' হায়বদি আইন(এক্ট) অসিগী মখাদা শেম্বা নিয়মগী মতুং ইন্না ''এপ্রোপ্রিয়েট গভর্নমেন্ট'' নৎত্রগা মতিক চারবা অঙম্বনা হায়না তৌগদবা থৌরমসিং য়াৎথোক্লবা।

২.৭. ''পব্লিক ওঠোরিটি'' হায়বদি:-

(a) কন্সটিট্যুসন না নৎত্রগা মসিগী মখাদা,

(b) পার্লিয়ামেন্ট না শেম্বা অত্মো লো অমনা,

(c) ষ্টেট লেজিসলেটিভ না শেম্বা অত্মো লো অমনা অমসুং

(d) সরকারনা নোটিস নৎত্রগা ওর্দর শেমখ্রবা নৎত্রগা লিংখৎখ্রবা ওঠোরিটি নৎত্রগা ইনদাইরেক্ট ওইনা ফন্দ পীবা,

(১) মপু ওইবা,য়েংশিনবা তৌবা অমসুং শেল চাওনা থাদবা বোডি অমসুং

(২) শেন্থং মতিক চানা লনাই সংস্থান য়াওরি।

২.৮.''রেকোর্ড''হায়বদি মখাগীসিং অসি য়াওরি:-

(a) এনি দোক্যুমেন্ট, মেনুস্কৃপ্ট অমসুং ফাইল,

(b) এনি microfilm, microfiche অমসুং দোকুমেন্ট অমগী fascimile,

(c) অদুগা য়াওরিবা ইমেজ অদুগী নমথোক্লবা কোপী শরুক (তৌরবা নৎত্রগা তৌদ্রিবা) অমসুং

(d) কম্প্যুটর না নৎত্রগা অত্মো মওংদা পুথোক্লবা অতৈ মচাকশিং।

২.৯. ''রাইট টু ইনফোর্মেসন'' হায়বদি এক্ট অসিগী মখাদা তানবা য়াবা পব্লিক ওঠোরিটি না পাইবা অমসুং কন্ট্রোল তৌবা ইনফোর্মেসন অমসুং মসিদা মখাগীসিং অসি তানবগী রাইট য়াওরি :-

(১) থবক,দোক্যুমেন্ট অমসুং রেকোর্ড শিং য়েংবা,

(২) নোট লৌথোকপা,দোক্যুমেন্ট শিং নৎত্রগা রেকোর্ড শিংগী এক্সট্রেক্স নৎত্রগা সার্টিফাইদ কোপী শিং লৌথোকপা,

(৩) মেটেরিয়েল শিংগী সার্টিফাইদ সেম্পল শিং লৌথোকপা,

(৪) diskettes, floppies, tapes, video casettes নৎত্রগা অত্মো ইলেক্ট্রোনিক্স কী মওংদা ইনফোর্মেসন অদু কম্প্যুটর নৎত্রগা দিভাইস তা ষ্টোর তৌরবদি মদু লৌথোকপা।

২.১০. ''ষ্টেট চীফ ইনফোর্মেসন কম্মিটি'' হায়বদি সেক্সন ১৫ গী সব সেক্সন(১) গী মখাদা শেমখিবা ষ্টেট ইনফোর্মেসন কম্মিসন অদুনি,

২.১১. ''ষ্টেট চিফ ইনফোর্মেসন কম্মিস্নর''অমসুং ''ষ্টেট ইনফোর্মেসন কম্মিসন''হায়বদি সেক্সন ১৫ গী সব সেক্সন (৩) কী মখাদা এপ্পাইন্ট তৌবা ষ্টেট চীফ ইনফোর্মেসন কম্মিস্নর অমসুং ষ্টেট কম্মিস্নর বুনি।

২.১২. ''ষ্টেট পব্লিক ইনফোর্মেসন ওফিসার''হায়বদি সব সেক্সন(১) গী মখাদা দেজিগনেটেট তৌখিবা ষ্টেট পব্লিক ইনফোর্মেসন ওফিসার অদুবুনি অমসুং মসিদা সেক্সন ৫ কী সব সেক্সন (২) গী মখাদা দেজিগনেটেট তৌখিবা ষ্টেট পব্লিক ইনফোর্মেসন ওফিসার অদুসু য়াওরে।

২.১৩.''থার্ড পার্টি'' হায়বদি ইনফোর্মেসন তাল্লিবা সিটিজেন অদু নত্তবা অমসুং মদুদা পব্লিক ওঠোরিটি অমবুসু য়াওরে। *(মথং মথং)*

৩. এক্ট অসিদা পীরিবা প্রোভিজন শিংগী মতুং ইন্না সিটিজেন পুম্নমক্লা ঈ- পাও লৌনবগী হক লৈ।

৪. (১) পব্লিক ওঠোরিটি খুদিংমক্লা

মসিগী রেকোর্ড খুদিংমক শেমদুনা এক্ট অসি গী মখাদা ইনফোর্মেসন লৌবদা খুদোং চাগদবা মওংদা ইনদেক্স নম্বর শেমগনি অমসং অরৈবা রিসোর্স শীজিন্দুনা লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদা তোঙান তোঙানবা সিষ্টেম গী মখাদা কম্প্যুটরাইজ তৌদুনা নেটৱার্ক না শম্নহন্দুনা মতম চানা ইনফোর্মেসন লৌবা য়ানবা কম্প্যুটরাইজ তৌদূনা তমগনি।

(বি) এক্ট অসি চৎনবা হৌখিবা নুমিৎ চামগা কুনগী মনুংদা মখাগী পার্টিকুলর শিং অসি পব্লিশ তৌগনি:-

১) মসিগী ওর্গেনাইজেসন,ফঙ্কশন শিং অমসুং দ্যুটি শিংগী পার্টিকুলর শিং,

২) মসিগী ওফিসার শিং অমসুং ইপ্লোয়ী শিংগী পৱারস অমসুং দ্যুটি শিং,

৩) দিসিসন লৌনবা প্রোসেস তৌবদা চৎনরিবা প্রোসিদ্যুর লোইননা সুপরভিজন অমসুং দায়ত্ব লৌবগী চেন্নেল শিং,

৪) মসিগী ফঙ্কশন শিং পাংথোক্লবা থন্নীবা নিয়মশিং, *মথং মথং ....*

৫) মসিগী ইমপ্লোয়ী শিং নৎত্রগা মসিগী মখাদা লৈরিবসিংনা মথৌ পাংথোকপদা শীজিন্নরিবা রুল শিং রিগুলেসনশিং, ইন্সট্রকসন শিং রেকোর্ড শিং অমসুং মেন্যুল শিং,

৬) মসিগী নৎত্রগা মসিগী মখাদা লৈরিবসিশিংনা পায়বা দোক্যুমেন্ট মখলশিংগী ষ্টেটমেন্ট অমা,

৭) মসিগী পোলিসি শেম্বা অমসুং মদু চৎনবগী মতাংদা পব্লিক কা তানবা অমসুং পব্লিক কী মেম্বর শিং য়াওনবগী এরেঞ্জমেন্ট লৈরবদি মদুগী পার্টিকুলর শিং,

৮) মসিগী শরুক অমা ওইনা নৎত্রগা মসিগী এদভাইস কীদমক্তা মীওই অনি নৎত্রগা অনিদগী হেনবনা শেম্বা বোর্দ শিং কাউন্সিল শিং কম্মিটিশিং অমসুং অতৈ বোদী শিংগী ষ্টেটমেন্ট অমা লোইননা বোর্দ শিং,কাউন্সিল শিং,কম্মিটি শিং অমসুং অতৈ বোদী শিং অদুগী মিটিং শিং অদু পব্লিক তা ওপন ওইৱা নৎত্রগা মিটিং শিং অদু পব্লিক তা য়েংবা য়াহনৱা হায়বদুগী ষ্টেটমেন্ট অমা,

৯) মসিগী ওফিসার শিং অমসুং ইমপ্লোয়ী শিংগী দাইরেক্তোরী অমা

১০) মসিগী ওফিসার শিং অমসুং ইমপ্লোয়ী শিংনা ফংলিবা থা- থাগী তলব লোইননা মসিগী রিগুলেসন না পীরিবা কমপেন্সেসন পীবগী সিষ্টেম

১১) প্লান খুদিংমক্কী পার্টিকুলর শিং, প্রোপোস তৌবা এক্সপেন্দিচর শিং অমসুং য়েনথোকখ্রবসিং অদুগী রিপোর্ট শিং তাক্তুনা মসিগী এজেন্সি খুদিংমক্তা এল্লোকেট তৌবা বদজেট,

১৩) বসসিদি প্রোগ্রেম শিং পাংথোকপগী মওং লোইননা এল্লোকেট তৌখ্রবা এমাউন্ট অমসুং প্রোগ্রেম শিং অদুগী বেনিফিসেরী শিংগী দিটেলস

১৪) ইলেক্ট্রোনিক ফোর্ম দ শেমদোকলবা ইনফোর্মেসন শিং,পার্মিট শিং নৎত্রগা ওঠোরাইজেসন শিং ফংখ্রবা রিসিপিয়েন্ট শিংদুগী দিটেল শিং,

১৫) সিটিজেন শিংনা ইনফোর্মেসন লৌনবগী ফংহল্লিবা খুদোংচাবসিং অদুগী দিটেলস শিং লোইনবা লাইব্রেরী অমসং রিদিং রুম করিগুম্বা পব্লিক না শিজিবা হাংলবদি মদুগী হাংবগী মতম,

১৬) পব্লিক ইনফোর্মেসন ওফিসার অদুগী মীং, দেজিগনেসন অমসুং অতৈ পার্টিকুলর শিং,

১৭) প্রিস্ক্রাইব তৌবা অতোপ অত্মো ইনফোর্মেসন শিং। অদুগী মতুংদা পব্লিকেসন শিং অসি চহি খুদিংগী অপদেট তৌগদবনি।

(সি) মরুওইবা পোলিসি শিং শেম্বা মতমদা নৎত্রগা পব্লিক তা এফেক্ট তৌবা ৱারেপশিং লাউথোকপা মতমদা মরি লৈনবা ফেক্ট শিংদু পব্লিশ তৌগদবনি।

২) প্রজানা এক্ট অসিগী মখাদা ইনফোর্মেসন তানবদা খুদোং চানবগীদমক পব্লিক ওঠোরিটি খুদিংমক্ল া ইন্টরনেট নচিংবা তোঙান তোঙানবা মখলগী পাম্বৈশিং শীজিদুনা সব- সেক্সন(১)গী ক্লোজ (বি) দা পীরিবা অদুগী মতুং ইন্না চাং নাইনা প্রজাদা ইনফোর্মেসন য়ৌনবা অকনবা মওং হোৎনগদবনি।

৩) সব সেক্সন (১) গী মতুং ইন্না প্রজাদা লাইনা য়ৌগদবা মওংদা ইনফোর্মেসন খুদিংমক পাক- শ্না শন্দোক্লবা হোৎনগনি।

৪) মেটেরিয়েল খুদিংমক মদুগী অচংবা খরচ,লোকেল লেঙ্গোইজ অমসুং মফম অদুগী কম্যুনিকেসন দা খ্বাইদগী খুদোং চাগদবা মওংদা ইনফোর্মেসন ফংবা য়াননবা,ঙল্লিবমখৈ ইলেক্ট্রোনিক ফোর্মেট তা সেন্ট্রেল পব্লিক ইনফোর্মেসন ওফিসার নৎত্রগা ষ্টেট পব্লিক ইনফোর্মেসন ওফিসর দগী ফ্রি দা নৎত্রগা প্রিস্ক্রাইব তৌরিবা কোষ্ট প্রাইস অদুদা ফংননবা পাক- শ্না হোৎনগনি।

এক্সপ্লেনেসন:-সব-সেক্স(৩)অমসুং (৪) গীদমক '' দেতসমিনেটেদ ''(পাক শ্না শন্দোকপা) হায়বদি নোটিস বোর্ড তা,খবরদা প্রজাদা লাওথোক্তুনা,মেদিয়া দা শন্দোক্তুনা,ইন্টরনেট কী খুথাংদা অমসুং পব্লিক ওঠোরিটি গী ওফিস শিংদা ইন্সপেক্সন য়াওনা ইনফোর্মেসন শিংদু প্রজাদা খংনবা হায়বনি।

৫(১) এক্ট অসিগী মখাদা ইনফোর্মেসন পাম্বা মীওই খুদিংমক্তা ইনফোর্মেসন অদু পীবা ঙম্নবা পব্লিক লোরিটি খুদিংমক্লা মসিগী মখাদা লৈবা এদমিনিষ্ট্রেটিভ য়ুনিট পুম্নমক্তা এক্ট অসি চৎনবা হৌখিবা নুমিৎ চামগী মনুংদা সেন্ট্রেল পব্লিক ইনফোর্মেসন ওফিসার নৎত্রগা ষ্টেট পব্লিক ইনপোর্মেসন ওফিসার ওইনবা ওফিসার মশিং য়াম্না হাপকনি।

মথং মথং......